# ত্রিপুরা কোংগ্রেসনা শিন্দুনা ষ্টেট অসিদা নুমিৎ ১০ নিগী ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎ চৎপা হৌখ্রে

অগরটালা, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অদুবু মতৌ তন্বা অমদি পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ত্রিপুরা কোংগ্রেসনা শিন্দুনা ষ্টেট অসিগী মনুংদা চৎকদবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ চৎপা হৌখ্রে হায়রি।



কোংগ্রেসকী থৌমী কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কন্মিটি (এ আই সী সী) গী ত্রিপুরা ইনচার্জসু ওইরিবা ত্রিপুরা প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটিগী চীফ বিরাজিৎ সিনহানা লমথাখিবনি। খোঙচৎ অসি লমথাবগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেস সিনিয়র লীদর অমসুং এম এল এ সুদিপ রোই, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সুদিপ রঞ্জন বর্মন, গোপল চন্দ্র রোই অমসুং অসিস কুমার সাহাসু শরুক য়াখি। ঙসি লমথারিবা খোঙচৎ অসি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৬০ মক্তা চৎকনি। খোঙচৎ অসি খোঙনা চৎকনি অমদি চাওরাক্লা কিলোমিটর ১২০০ রোম ওইগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অগরটালাদা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এ আই সী সীগী লীদর অজয় কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেসনা মতম পুম্বদা লৈবাক অসিবু ঙাক শেন্দুনা লাক্লি। ত্রিপুরাদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইমশিং লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। ওপোজিসনদা লৈরিবা এম এ এলশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংদা অকি অখঙ পীবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চখুরি। হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী খনবা লৈঙাক নত্তে। মশাগী ওইজবা থিবা অমদি পৱারখক্তবু পান্বা লৈঙাক্লি। কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসিনা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল অমদি মীয়াম্না পার্টি অসিবু কয়াম্না নুংশিবিরিবগে হায়বদু উবদগী বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা যুন্ফম য়াওদবা মরাল কয়া কোংগ্রেসতা শিবা হৌরকখিবগা লোয়ননাএম এল এশিং লৈবগী থবক কনখৎলকখিবনি। অসিগুম্বা পার্টি অসিবু মীয়াম্না পারা তন্বীবগী মতম ওইরে হায়রি।




মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈনা শিন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সীটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা নেসনল সেমিনার মৈরা চুদুনা হৌদোকপা

# মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা অতোপ্পা পার্টিগা এলাইন্স শেন্নোই : এন পি পি



শিল্লোং, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): মথং চহীগী অঙনবা থা ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পানরিবা মেঘলায়া ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা এলাইন্স শেন্নোই অমদি মরোমদোম ইলেক্সন থেংনগনি হায়না এন পি পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন পি পিগী লুচিংবসু ওইরিবা মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ইলেক্সনদসু এন পি পিনা অতোপ্পগী মতেং য়াওদনা মরোমদোম মীখল লন্বা তৌনখি অমদি চাওনা মায় পাকপসু ঙমখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা এন পি পিনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নদনবা ফিরেপ লৌরবসু সেন্টরদা লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক্তদি হান্নগুম শৌগৎখিগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা সীট ৬০ লৈবা এসেমব্লি মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবা পার্টি অসিগী কেন্দিদেট ৫৮ গী মমিং ফাইনেলাইজ তৌরে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এন পি পিনা হান্নগুম চাওনা মায় পাক্তুনা অমুক হন্না লৈঙাক শেমগনি। মীওই খরনা ষ্টেট অসিদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎলক্লি হায়না ফোঙদোক্লরিবশিং অদু অরানবনি। মদুদা মীয়াম্না থাজবা তৌবীগনু। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিংনা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়রি।

পনবা য়াবদি কোংগ্রেস এম এল এশিং ত্রিনামুল কোংগ্রেসতা য়াওশিনখ্রবা মতুং লৈঙাক অসিগী মেন ওপোজিসন অসি ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ওইরকখিবনি হায়রি।

# লৈঙাক্লা ঈশিং, কংফাল অমসুং নোংথক্কী লম্বীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরি

ইটানগর, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগা চথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহন্নবগীদমক ঈশিং, কংফাল অমসুং নোংথক্কী লম্বীশিং অমদি শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলি হায়না অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইটানগরদা দোনয়ি পোলো এয়রপোর্ট শঙ্গাখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি। লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎলবা মতমদতা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। অরুনাচল প্রদেশতা মহৌশাগী ওইবা লম কোয়বা কয়াগী পুক্নিং চিংশিনবা ঙম্বা মফম কয়া লৈরি। অদুবু ষ্টেট অসিদা লাকপদা লম্বীগী খুদোংচাদবা কয়া লৈবা অমসুং ফজরবা মফমশিং অদুবু য়ৌনা চৎকদবা লম্বীগী ফীভম ফত্তবনা মরম্না লম কোয়বা লাকপগী চাং নেম্লি। ষ্টেট অসিদা লম কোয়বা মী মশিং য়াম্না লাক্লিবমখে ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎলক্লবদি নহাশিংনা থবক ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিসু কোকহনবা ঙম্লগনি। মরম অদুনা এরোপ্লেন, ট্রেন অমসুং রোদ কনেক্টিভিটিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপা হৌখিবনি হায়রি।

# মীওই ৩২ না শাবা অসামগী দেলিগেসন টিমনা বাংলাদেশ ভিজিট তৌখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অসামগী এসেমব্লি স্পিকর বিশ্বজিৎ দাইমরিনা লুচিংবা এম এল এ ৩২ গী দিলেগেসন টিম অমা ঙরাং বাংলাদেশতা ভিজিট তৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অসামগী এম এল এশিং বাংলাদেশতা থুংখিবা মতমদা লৈবাক অদুগী এম পি ইকবালুর রহিমনা তরাম্না ওকখি। মদুগী মতুং ঙসি স্পিকর বিশ্বজিৎ দাইমরি অমসুং বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা উন্নদুনা ৱারী শানখি। অদুবু পনবা য়াবদি বাংলাদেশতা ভিজিট তৌখিবা দেলিগেসন টিম অদুদা য়াওখ্রিবা এম এল এশিং অদু রুলিং পার্টি খক্কী নত্তে, ওপোজিসন পার্টিগী এম এল এশিংসু য়াওরি। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা টিম অসিনা বাংলাদেশ পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরগসু উন্নগনি হায়রি।

# মোন জেলদগী প্রিজনর ৯ নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে

দিমাপুর, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা জেল অমদগী ঙসি ফাদোক ৯ নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না জেলদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবশিং অদুগী মনুংদা মীহাৎপগী মরালদা ফাদুনা লৈরকখিবশিং অমদি হৌজিক হৌজিক ট্রাইয়েল চথরিবা মীওইসু য়াওরি। মখোয়না জেলদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা অসি জেলগী ফক্লাং থুগায়রগা চেনখিবা নত্তে। মথৌ তৌরিবা পুলিসশিংদগী য়াম্না হৈন-শিংনা মখোয়গী সেলগী ছোশিং হুরান্দুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মোন পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। পুলিসকী মায়কৈদগীসু নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা জেলগী ফাদোকশিং অদুনা লোৎলম্বা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা পাক্তক্লুনা থিহুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা ফাবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# থবক লৌথোকখ্রবা ওজাশিংগা থা অসিগী ২২ দা চীফ মিনিষ্টর মনিক সাহগা ৱারী শানগনি

অগরটালা, নভেম্বর ২০ (এজেন্সি): হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ত্রিপুরাদা ওজা ১০০০০ হেন্না লৌখিবগী থবক থৌওংদা অরানবা কয়া চথখি হায়না মায়কৈ খরদগী ক্লেম তৌরকখ্রবা মতুং হৌখিবা কুমজা ২০১৭ দা ষ্টেট অদুগী পুন্না ওজা ১০,৩২৩ থবক্তগী টরমিনেট তৌখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওজাশিং অদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং থা অসিগী ২২ দা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সাহগা খোঙজং চঙশিল্লিবা ওজাশিংগা ৱারী শানরগনি হায়রি।




ওজাশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা অগরটালাদা লৈবা রবিন্দ্র ভবন মনাক্তা চারা হেনবগী খোঙজং মখা তানা চথরকখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ ৩২ নি চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং লৈঙাক্লা ওজাশিং অসিগা ৱারী শানবা ফীরেপ লৌরকখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু খোঙজং চঙশিল্লিবা ওজাশিং অসিগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা মখোয়গী থবক অমুক হনগৎনবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা দুর্গা পুজা লোয়রবা মতুং মীফম অমা পাঙথোকখিগনি হায়না থাজবা পীরকখিবনি। থা অসিগী ২২ দা চীফ মিনিষ্টরনা লিগেল রিপ্রজেন্টেটিভশিং য়াওনা খোঙজং চঙশিল্লিবা ওজাশিং অসিগা ৱারী শানগনি। ৱারী শানবা অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবা য়াবগী ওইথোকপশিং লৈরি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পনবা য়াবদি, ত্রিপুরা হায় কোর্টনা ওজাশিং অসি লৌবগী থবক্তা অশোয়বা কয়া য়াওখি হায়না ফোঙদোক্তুনা ওজাশিং অসিবু থবক্তগী টরমিনেট তৌখিবনি। খুদক্তা ওজাশিংনা টরমিনেট তৌখিবগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা থবক লৌথোকপদা য়াওখিবা ওজা মতে মনাও শিজখিবগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রবনি।

## CROSSWORD-3708



**ACROSS**

1 Made to feel at home (8)
6 Burnt remains (3)
9 Mature (5)
10 Heart of a nuclear power station (7)
11 Open grassland (7)
13 Crazy (5)
14 High-kicking dance (6)
15 Pronounce not guilty (6)
19 Defile, sully (5)
21 Italian rice dish (7)
22 High level ground (7)
23 Church instrument (5)
24 Animal collection (3)
25 Faithfulness (8)

**DOWN**

2 Make intelligible (7)
3 Swindle (3)
4 Wonder (6)
5 Snags (9)
6 Modify (5)
7 Tough (5)
8 Cancer or Capricorn (6)
12 John Bull's food (5,4)
16 Tense, repressed (7)
17 Prickly plants (6)
18 In the vicinity (6)
19 Yellow precious stone (5)
20 Insect in its adult form (5)
23 Lubricant (3)

**Solution 3706**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5006

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | 3 | | 2 | |
| | 6 | 2 | 7 | | | | | |
| 7 | 3 | | | | | | | |
| | | | | | 9 | 6 | 1 | |
| 2 | | | 8 | | 7 | | | 3 |
| | 9 | 3 | 6 | | | | | |
| | | | | | | | 8 | 5 |
| | | | | | 5 | 7 | 6 | |
| | 1 | | 4 | | | 9 | | |

### Solution-5005

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 4 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 |
| 1 | 9 | 2 | 6 | 5 | 3 | 7 | 4 | 8 |
| 7 | 3 | 5 | 8 | 1 | 4 | 6 | 2 | 9 |
| 2 | 4 | 3 | 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 5 |
| 8 | 6 | 9 | 5 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 |
| 5 | 1 | 7 | 3 | 4 | 6 | 9 | 8 | 2 |
| 3 | 5 | 1 | 4 | 8 | 7 | 2 | 9 | 6 |
| 4 | 7 | 6 | 9 | 3 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 9 | 2 | 8 | 1 | 6 | 5 | 3 | 7 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### NIT NAGALAND RECRUITMENT 2022 FOR STENOGRAPHER AND VARIOUS POSTS

National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Stenographer, Junior Assistant and Various Posts Recruitment 2022
Advertisement for the post of Stenographer, Junior Assistant, and Various Posts at the National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 30th November 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment 2022 Stenographer, Junior Assistant, and Various Posts Vacancy 2022 details and apply online at www.nitnagaland.ac.in/ recruitment 2022 page.
The National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nitnagaland.ac.in/. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in West Bengal. More details of www.nitnagaland.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Stenographer, Junior Assistant and Various Posts
Dimapur, Chumukedima, 797103 Nagaland
Last Date: 30th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 06 Posts
Educational Qualification:
Superintendent: i) First Class Bachelor's Degree or its direct recruits equivalent from a recognized University or Institute in any discipline Or Master's Degree in any discipline from a recognized University or Institute with at least 50% marks or equivalent grade Knowledge of Computer applications viz., Word processing, Spread Sheet.
Stenographer: Senior secondary (10+2) from a recognized board with minimum speed in shorthand 80 w.p.m. in Stenography.
Junior Assistant: Senior secondary (10+2) from recognized qualifications required for a board with a minimum Typing speed of 35 direct recruits W.p.m. and proficiency in Computer Word Processing and Spread Sheet.
Technician: Senior secondary (10+2) with Science from a direct recruits Government recognized board with at least 60% marks Or Senior secondary (10+2) from a Government recognized board with at least 50% marks and ITI Course of one year or higher duration in appropriate trade. Or Secondary (10) with at least 60% marks and ITI Certificate of 2 years duration in appropriate trade. Or a Diploma in Engineering of three years' duration in a relevant field from a Government recognized Polytechnic / Institute.
Technical Assistant: First Class or equivalent Grade in B.E. / direct recruits B.Tech. / MCA in relevant subject from a recognized University / Institute. Or First Class Diploma in Engineering in a relevant Field with an excellent academic record Or First Class Bachelor's Degree in Science from a recognized University or Institute or Master's Degree in Science from a recognized University or Institute with at least 50% marks.
Pay Scale: INR 5200-34800/- Per Month
Age Limit: Preferably below 27 years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee: The Application Form should be enclosed with a prescribed application fee of Rs.500/- (Five Hundred Only) for the General/ OBC category in the form of Demand Draft/ Indian Postal Order in favor of IRG, NIT Nagaland payable at State Bank of India, Chumukedima Branch, Dimapur.
How to Apply:
The application form must be submitted in the prescribed format as available on the Institute's Website. Application Forms can be downloaded from the Institute website www.nitnagaland.ac.in. The application must be sent in the prescribed format only through speed post/registered post to "The Registrar, National Institute of Technology Nagaland, Chumukedima, Nagaland-797103".
Important Dates:
Published on: 12th October 2022
Last date for application is: 30th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR REGISTRAR

Indian Institute of Technology Guwahati Registrar Recruitment 2022:
Advertisement for the post of Registrar in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 December 2022. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Registrar Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) invites applications for recruitment of Registrar
Registrar
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 12 December 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)Recruitment 2022 Details
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Registrar
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience 15 - 20 years
Salary 144200 - 218200(Per Month)
Posted on 10 Nov, 2022
Last Date To Apply 12-12-2022
Educational Qualification: Master's Degree from a recognized University with at least 55% of marks in aggregate or its equivalent grade in a point scale wherever grading system is followed.
Experience: At least 15 years of experience as Assistant Professor in the Academic Level –11 (AGP of ₹7000 as per 6th CPC) and above along with experience in educational administration or with 8 years of service in the Academic Level -12 (AGP of ₹ 8000 as per 6th CPC) and above including as Associate Professor along with experience in educational administration
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 144200 - 218200(Per Month)
Age Limit: Not less than 50 years and not more than 57 years as on 12.12.2022. The post is for a tenure of 5 years or till the incumbent attains the age of 62 years, whichever is earlier, or as fixed by Govt. of India by orders issued in this regard from time to time..
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Registrar in IIT Guwahati.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website iitg.ac.in
Step 2: Click on IIT Guwahati Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

